ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ২৪, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০২৩শুবা মশীং

# অমম্বা মতমগী মাঙজবা

## পূন্নমক্না খঙই, নান্থোকচবদি ঙমদে

‘মতম’ হায়বসিগী মমল ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। খজিক খরাক্তা য়াম্বা নত্তে। মশীং থিঙমদনা অমসুং মপাল নাইদনা য়ামখ্রে। চুমখ্রবা অমসুং ফজখ্রবা ৱাফমসি কলমসিদা পন্দুনা পাউচেসিবু পাবিরিবা পূন্নমক্তা নীংশিংফম্থু থোক্ত্রবনি। মরমদি ৱাফমসি অদুমক চুমদ্রিং চুমদুনা লৈরক্লবনি, হৌজিকসু চুন্লি। মীওইবা হায়বা ফূরুপসিনা মালেমসিদা লৈরিবা ফাওবদি মখা তানসু চুমখিগদৌরিবনি। অদুবু মীওইবা খুন্নাইগী হীরম খুদিংমক্তা য়েক্লবা ওইবা ‘অমম্বা’ হায়বসিগী মতম ওইরকপদদি ৱাহৈসিবু অমুক হন্না চিংথোক-কোৎথোক্তুনা পন্দবা য়ারক্তে। অদুগা অমম্বা হায়বসি করিনো? করম্বা পোৎশক, ফীভম অমসুং তাঞ্জাবু অমম্বনি হায়না লৌগদগে হায়বগী মতাংদসু নৈনদবা য়ারক্তে। মসিগী মরমদা থৌওইনা খন্নহৌদবা য়াদে। খন্নরগা নৈনরগা থোরকপশিংদুগী মতুংইন্না অমম্ববু কোকহন্দুনা অঙানবা পুন্নং-লংবা ওইহন্নবা হোৎনহৌগদবনি। মসি তৌহৌদ্রবদি তুংগী মীরোলনা অমম্বা মতম ওইহল্লিবা মীওইশিংগী মংফমদা তিন শিৎচিল্লকপদা নত্তনা মখোঙ হামজিনগে হায়রক্কনি। অমম্বা মতম্না হীরম খুদিংমক্তা অমাঙবা ওইহনবগী মনুং চন্না মমল য়ামখ্রবা মমলগা পাঙ্খক্লরিবা, শিরগা অমুক হল্লকপা য়াররোইদবা থব্রায় কয়াবুসু মাঙহল্লিবনি। মসি ওইরগদি অমম্বা অমসুং মসিগী মতম হায়বসিদি থিবা ফংলোইদবা চুমথাং মখোঙগুম্বদি নত্তবনিনা অউপ্পা উনা লোইনমক লোংথোক্তুনা থিবা তাবনি, ফংসু ফংনি। লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা কন্সটিট্যুসনগী কয়াৎশিংবু মথক মখা থোক ওন্থোকপা, খোঙ্গাওনবা, ঙাক্না চৎতবা, লৈরিবা ফজখ্রবা লোশিংবু মখূৎনা পায়শিল্লগা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবা মীয়াম্না পামগেরা-পাম্লোইরা, য়ানীংগেরা-য়ানীংলোইরা তৌনীংবা তৌনি, পব্রার অমসুং শেলসু পায়রি হায়বগী লমকেৎ-লমহাইবগী থবক-থৌওংশিং চত্থরক্লবদি হায়রিবা অরানবা, চুমদবা অমসুং নম্ফু-হাফুগী থবক-থৌওংশিং চত্থরিবা মতমগী তাঞ্জাদুবু অমম্বা মতম কৌরোইদবগী মরম লৈব্রা?

ফীভমসি অতেনবা অমসুং অশাংবা মতম ওইরকপদা মসিগী খুদোংচাবা মচুম থক্ত্রবা ফাওবদা মরৈনদা ওইরবসু লেকচবা ফংগদৌরিবসি অমম্বা মতমশিং ওইহল্লক্লিবা অঙম্বশিংদুগা মখোয়গী খাউবুনাই খুজোক খরখক্তনি। হায়রিবসি মীয়াম্নসু শিৎ-নান্না খঙই, ময়েক শেংনা উই, মথম্মোয়শিংদুনদি য়ানীংদে। মখূৎ-মশা প্রোক-প্রোক থেক্তুনা খা চিক্তুনা খাঙই। অদুবু মীওইবা খুন্নাইগী পূন্সি মহিং অমসুং মরেলগা মায়োক্নরিবা খ্বাইদগী তমথীরবা য়েক্লবসিগী লাংদগী অয়াম্বা মীয়াম্না নান্থোকচবা ঙমজদে। মৈনি খঙনা খঙনা পায়, থিনি খঙনা খঙনা চোংশিন্দুনা নেৎলি। অদুগা নোংমৈ মরূ অমসুং বোম মচেৎনা পানবগী অয়ো-নাহেনরবসু নাবীদে হায়রকই। অমম্বদু অঙানবনি হায়রকই, অমুববু অঙৌবনি হায়না মখৌ পোংনা লাউরদুনা তিঙ্খাং তুম্বৌতনা থল্লবা লম্বীদুদা মরী-মরী চৎখি। অদুবু অমম্বা মতম শাংনা ওইরিবা খুন্নাইদুগী মশক করি ওইরকপা তাবগে? উৎ-ৱাই অমসুং হামুক পুমতৈ-তৈরগা কারুম-কারুম হিংবা তারক্কনি। মস্বাইসি য়ৌরক্লবদি তেল্লবা মীওইবগী পূন্সিশিংগী মরক্তগী মশাগীতা খন্দবা, লৈবাক খুন্নাই অমসুং মীয়ামগীদমক খনবা মীওইশিংগী মথৌ তারকই। হীরম খুদিংমক্তা পুকচেল খোয়দবা মীওইশিংগী তঙাইফদবা লৈরকই। খ্বাইদগী মরূ ওইনা মীয়াম্না মপূকচেল শেংবা, কথোকপা ঙম্বা, তাৎ-পাৎ অমসুং লৌনম-নমথাক চঙলোইদবা মীওইশিং খন্দুনা লৈঙাক্কী চুম-শো শিন্নগদবনি। মচিল থীবা, ওইদবা ঙাওবা, মবুকচেল শেপ্পশিংগী চন্নফম লৈহল্লোইদবনি। মসিনা তাকপদি অমম্বা মতম লোইশিনহন্দুনা অঙানবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবগী মচিল মৈ মুবগী থবকসিদি মীয়ামদগী হৌরক্কদবনি। মীয়াম্না ফরবা মতমদা মখোয়গী খুন্নাইদুসু হীরম খুদিংমক্তা পুমঙাল ঙান্না অফবগী অফবা ঙাক্তা ওইগদৌরিবনি। মীয়াম ৱাখল তাবা চুমগনি। লুখাক কোমদা অদুম্মক পুখদুনা লৈথোক্লবদি হেন্না-হেন্না ফত্ত-হৌদিনা য়োমশিল্লকপা শোয়দবনি। থবকসি খুন্নাই পূন্নমক্কী মীওইশিংগী তৌদবা য়াদ্রবা মশীল অমদি ইথৌদাংনি খনবা চুমগনি।

# ꯑꯃꯝꯕ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯥꯡꯖꯕ

## ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯅ ꯈꯉꯏ, ꯅꯥꯟꯊꯣꯛꯆꯕꯗꯤ ꯉꯝꯗꯦ

'ꯃꯇꯝ' ꯍꯥꯏꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯃꯜ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯈꯖꯤꯛ ꯈꯔꯥꯛꯇ ꯌꯥꯝꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯤꯡꯃꯗꯅ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯄꯥꯜ ꯅꯥꯏꯗꯅ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯆꯨꯝꯈ꯭ꯔꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯐꯖꯈ꯭ꯔꯕ ꯋꯥꯐꯝꯁꯤ ꯀꯂꯝꯁꯤꯗ ꯄꯟꯗꯨꯅ ꯄꯥꯎꯆꯦꯁꯤꯕꯨ ꯄꯥꯕꯤꯔꯤꯕ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯇ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯐꯝꯊꯨ ꯊꯣꯛꯇ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯝꯗꯤ ꯋꯥꯐꯝꯁꯤ ꯑꯗꯨꯃꯛ ꯆꯨꯝꯗ꯭ꯔꯤꯡ ꯆꯨꯝꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯛꯂꯕꯅꯤ, ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯆꯨꯟꯂꯤ꯫ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ ꯍꯥꯏꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯅ ꯃꯥꯂꯦꯝꯁꯤꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯤ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯟꯁꯨ ꯆꯨꯝꯈꯤꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯒꯤ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇ ꯌꯦꯛꯂꯕ ꯑꯣꯏꯕ 'ꯑꯃꯝꯕ' ꯍꯥꯏꯕꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯑꯣꯏꯔꯛꯄꯗꯗꯤ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯕꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯆꯤꯡꯊꯣꯛ-ꯀꯣꯠꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯄꯟꯗꯕ ꯌꯥꯔꯛꯇꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯑꯃꯝꯕ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤ ꯀꯔꯤꯅꯣ? ꯀꯔꯝꯕ ꯄꯣꯠꯁꯛ, ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯥꯟꯖꯥꯕꯨ ꯑꯃꯝꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯅ ꯂꯧꯒꯗꯒꯦ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯁꯨ ꯅꯩꯅꯗꯕ ꯌꯥꯔꯛꯇꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯝꯗ ꯊꯧꯑꯣꯏꯅ ꯈꯟꯅꯍꯧꯗꯕ ꯌꯥꯗꯦ꯫ ꯈꯟꯅꯔꯒ ꯅꯩꯅꯔꯒ ꯊꯣꯔꯛꯄꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅ ꯑꯃꯝꯕꯕꯨ ꯀꯣꯛꯍꯟꯗꯨꯅ ꯑꯉꯥꯟꯕ ꯄꯨꯟꯅꯡ-ꯂꯡꯕ ꯑꯣꯏꯍꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯍꯧꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯇꯧꯍꯧꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯇꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯔꯣꯂꯅ ꯑꯃꯝꯕ ꯃꯇꯝ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯡꯐꯝꯗ ꯇꯤꯟ ꯁꯤꯠꯆꯤꯜꯂꯛꯄꯗ ꯅꯠꯇꯅ ꯃꯈꯣꯡ ꯍꯥꯝꯖꯤꯟꯒꯦ ꯍꯥꯏꯔꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯑꯃꯝꯕ ꯃꯇꯝꯅ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇ ꯑꯃꯥꯡꯕ ꯑꯣꯏꯍꯟꯕꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡ ꯆꯟꯅ ꯃꯃꯜ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯃꯜꯒ ꯄꯥꯡꯈꯛꯂꯔꯤꯕ, ꯁꯤꯔꯒ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯜꯂꯛꯄ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏꯗꯕ ꯊꯕ꯭ꯔꯥꯏ ꯀꯌꯥꯕꯨꯁꯨ ꯃꯥꯡꯍꯜꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯑꯃꯝꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯍꯥꯏꯕꯁꯤꯗꯤ ꯊꯤꯕ ꯐꯡꯂꯣꯏꯗꯕ ꯆꯨꯝꯊꯥꯡ ꯃꯈꯣꯡꯒꯨꯝꯕꯗꯤ ꯅꯠꯇꯕꯅꯤꯅ ꯑꯎꯞꯄ ꯎꯅ ꯂꯣꯏꯅꯃꯛ ꯂꯣꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯊꯤꯕ ꯇꯥꯕꯅꯤ, ꯐꯡꯁꯨ ꯐꯡꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗ ꯆꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯁꯅꯒꯤ ꯀꯌꯥꯠꯁꯤꯡꯕꯨ ꯃꯊꯛ ꯃꯈꯥ ꯊꯣꯛ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯄ, ꯈꯣꯡꯒꯥꯎꯅꯕ, ꯉꯥꯛꯅ ꯆꯠꯇꯕ, ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯐꯖꯈ꯭ꯔꯕ ꯂꯣꯁꯤꯡꯕꯨ ꯃꯈꯨꯠꯅ ꯄꯥꯏꯁꯤꯜꯂꯒ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯅꯤꯡꯕ ꯃꯑꯣꯡꯗ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯄꯥꯝꯒꯦꯔ-ꯄꯥꯝꯂꯣꯏꯔ, ꯌꯥꯅꯤꯡꯒꯦꯔ-ꯌꯥꯅꯤꯡꯂꯣꯏꯔ ꯇꯧꯅꯤꯡꯕ ꯇꯧꯅꯤ, ꯄꯋꯥꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯂꯁꯨ ꯄꯥꯏꯔꯤ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯂꯝꯀꯦꯠ-ꯂꯝꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ-ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤꯡ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯕꯗꯤ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕ ꯑꯔꯥꯟꯕ, ꯆꯨꯝꯗꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯝꯐꯨ-ꯍꯥꯐꯨꯒꯤ ꯊꯕꯛ-ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤꯡ ꯆꯠꯊꯔꯤꯕ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯇꯥꯟꯖꯥꯗꯨꯕꯨ ꯑꯃꯝꯕ ꯃꯇꯝ ꯀꯧꯔꯣꯏꯗꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ?

ꯐꯤꯚꯝꯁꯤ ꯑꯇꯦꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯁꯥꯡꯕ ꯃꯇꯝ ꯑꯣꯏꯔꯛꯄꯗ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯃꯆꯨꯝ ꯊꯛꯇ꯭ꯔꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗ ꯃꯔꯩꯅꯗ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯂꯦꯛꯆꯕ ꯐꯡꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯁꯤ ꯑꯃꯝꯕ ꯃꯇꯝꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯛꯂꯤꯕ ꯑꯉꯝꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯒ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯥꯎꯕꯨꯅꯥꯏ ꯈꯨꯖꯣꯛ ꯈꯔꯈꯛꯇꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅ ꯈꯉꯏ, ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯅ ꯎꯏ, ꯃꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯗꯤ ꯌꯥꯅꯤꯡꯗꯦ꯫ ꯃꯈꯨꯠ-ꯃꯁꯥ ꯄ꯭ꯔꯣꯛ-ꯄ꯭ꯔꯣꯛ ꯊꯦꯛꯇꯨꯅ ꯈꯥ ꯆꯤꯛꯇꯨꯅ ꯈꯥꯡꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯍꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯔꯦꯂꯒ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯤꯕ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯌꯦꯛꯂꯕꯁꯤꯒꯤ ꯂꯥꯡꯗꯒꯤ ꯑꯌꯥꯝꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯅꯥꯟꯊꯣꯛꯆꯕ ꯉꯝꯖꯗꯦ꯫ ꯃꯩꯅꯤ ꯈꯉꯅ ꯈꯉꯅ ꯄꯥꯏ, ꯊꯤꯅꯤ ꯈꯉꯅ ꯈꯉꯅ ꯆꯣꯡꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯅꯦꯠꯂꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯒ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯃꯔꯨ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯕꯣꯝ ꯃꯆꯦꯠꯅ ꯄꯥꯟꯕꯒꯤ ꯑꯌꯣ-ꯅꯥꯍꯦꯟꯔꯕꯁꯨ ꯅꯥꯕꯤꯗꯦ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ꯫ ꯑꯃꯝꯕꯗꯨ ꯑꯉꯥꯟꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯔꯀꯏ, ꯑꯃꯨꯕꯕꯨ ꯑꯉꯧꯕꯅꯤ ꯍꯥꯏꯅ ꯃꯈꯧ ꯄꯣꯡꯅ ꯂꯥꯎꯔꯗꯨꯅ ꯇꯤꯡꯈꯥꯡ ꯇꯨꯝꯕꯧꯇꯅ ꯊꯜꯂꯕ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯗ ꯃꯔꯤ-ꯃꯔꯤ ꯆꯠꯈꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯃꯝꯕ ꯃꯇꯝ ꯁꯥꯡꯅ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯗꯨꯒꯤ ꯃꯁꯛ ꯀꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯛꯄ ꯇꯥꯕꯒꯦ? ꯎꯠ-ꯋꯥꯏ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯥꯃꯨꯛ ꯄꯨꯝꯇꯩ-ꯇꯩꯔꯒ ꯀꯥꯔꯨꯝ-ꯀꯥꯔꯨꯝ ꯍꯤꯡꯕ ꯇꯥꯔꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯋꯥꯏꯁꯤ ꯌꯧꯔꯛꯂꯕꯗꯤ ꯇꯦꯜꯂꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯒꯤ ꯃꯁꯥꯒꯤꯇ ꯈꯟꯗꯕ, ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤꯗꯃꯛ ꯈꯟꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯀꯏ꯫ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯈꯣꯌꯗꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯕ ꯂꯩꯔꯀꯏ꯫ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯅ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯃꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯡꯕ, ꯀꯊꯣꯛꯄ ꯉꯝꯕ, ꯇꯥꯠ-ꯄꯥꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯧꯅꯝ-ꯅꯃꯊꯥꯛ ꯆꯡꯂꯣꯏꯗꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯈꯟꯗꯨꯅ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯆꯨꯝ-ꯁꯣ ꯁꯤꯟꯅꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯆꯤꯜ ꯊꯤꯕ, ꯑꯣꯏꯗꯕ ꯉꯥꯎꯕ, ꯃꯕꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯞꯄꯁꯤꯡꯒꯤ ꯆꯟꯅꯐꯝ ꯂꯩꯍꯜꯂꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅ ꯇꯥꯛꯄꯗꯤ ꯑꯃꯝꯕ ꯃꯇꯝ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯍꯟꯗꯨꯅ ꯑꯉꯥꯟꯕ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯍꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯒꯤ ꯃꯆꯤꯜ ꯃꯩ ꯃꯨꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯀꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯐꯔꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯗꯨꯁꯨ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇ ꯄꯨꯝꯉꯥꯜ ꯉꯥꯟꯅ ꯑꯐꯕꯒꯤ ꯑꯐꯕ ꯉꯥꯛꯇ ꯑꯣꯏꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯥꯕ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯂꯨꯈꯥꯛ ꯀꯣꯝꯗ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯄꯨꯈꯗꯨꯅ ꯂꯩꯊꯣꯛꯂꯕꯗꯤ ꯍꯦꯟꯅ-ꯍꯦꯟꯅ ꯐꯠꯇ-ꯍꯧꯗꯤꯅ ꯌꯣꯝꯁꯤꯜꯂꯛꯄ ꯁꯣꯌꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯀꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯇꯧꯗꯕ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯁꯤꯜ ꯑꯃꯗꯤ ꯏꯊꯧꯗꯥꯡꯅꯤ ꯈꯟꯕ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫

---

# উমং কোকশিল্লকপনা শাবগী চাং হেনগৎহনবদা নত্তনা সনাহীদাক্কী চাংসু ৱাংখৎহল্লক্তুনা মীওইবদা শীংনরকপা

### সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**



মিনামিতা দিজিজনা নারবা টোমোকো কামিমুরাগী খূৎ

উমং কোকশিল্লকপনা শাবগী চাং হেনগৎহল্লি হায়বসিদা য়েৎননীংঙাই লৈত্রে, অদুবু মসিনা থোকহল্লকপা খুদোংথীবা অমসু থেংনরক্লে : মীওইবনা পুথোক্লিবা অমসুং শীজিন্নরিবা পোৎশিংদগী নুংশিৎতা থাদোরক্লিবা হু চেল্লবা সনাহীদাক (এটোমিক নম্বরনা ৮০ ওইবা, মরক্যুরি) কী ১০% মুক্তি মালেমদা লৈরিবা উমংগী চাং হুন্থরকপদগীনি হায়বসি এম আই টিগী থিজিন-লূপ অমনা খঙবা ঙম্লে হায়রি (*ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ফেব্রুৱারী ৮, ২০২৪*)। অমাজোন রেইনফোরেস্টতগী হৌরগা সব-সহারান অফ্রিকাগী সভানাশিংদা লৈরিবা মালেমগী উপাল-ৱাপাল হৌরিবা মফমশিংসিনা নুংশিৎতা য়াওরিবা হু চেনবা পোল্লুটেন্টশিংবু মাঙহল্লি। লূপ অসিগী মতুংইন্না মালেমদা লৈরিবা উমংগী চাং হুন্থরকপা অসিনা লেপ্পা লৈতনা নৎত্রগা অসুম হেনগৎলকপা তারবদি সনাহীদাক থাদোরকপগী চাংসি হেন্না হেনগৎলক্কনি।

থিজিন-লূপ অসিগী মোদেল অদুনা উৎখি মদুদি অমাজোন রেইনফোরেস্টনা সনাহীদাকপু মালেমগী কংফালদগী ৩০% মুক্তি মাঙহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌই। মরম অসিনা, উমংগী চাং হেনগৎহনবনা কংফাল অমসুং ঈশিংদা লৈরিবা হু চেনবা পোল্লুটেন্টশিংবু মাঙহনবদা কান্নবা পী। অদুম ওইনমক উমংগী চাং হেনগৎহনবখক্তনা পোল্লুসন্দগী ঙাকথোকপদি ঙম্লোই। মরম অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংনা সনাহীদাক্কুম্বা হু চেনবা কেমিকেলশিংবু থাদোরকপগী চাং হুন্থহন্নবগী থবকশিংসু পায়খৎনরিবনি।

হৌখিবা চহী ৩০ মুক্কী মতমসিদা সাইন্টিষ্টশিংনা উমং কোকশিল্লকপা অসিনা মালেমগী ওইনা কার্বন দাইওক্সাইদ থাদোরকপগী চাং হেনগৎহনবগা মরী লৈনবা লমলোমদা হেন্না মায় ওনশিল্লকখি। সনাহীদাক্কুম্বা চাং নেম্না ফংলিবা এলিমেন্ট অমদদি থোইদোক্না পূক্নিং চঙনরমদে মরমদি কংফালগী বাইওস্ফিয়রনা মর্ক্যুরি সাইকলদা লৌরিবা থৌদাংদু ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাংখক্তদা খঙনরকখিবনি।

পাম্বীগী উনাশিংনা নুংশিৎতগী কার্বন দাইওক্সাইদ লৌশিনবদুগা মান্নবা মওং অমদা, উনাশিংনা সনাহীদাকপু লৌশিল্লি। কার্বন দাইওক্সাইদনদি পাম্বীগী মথৌদা কান্নবা পীরবসু, সনাহীদাক্নদি পীদে। উনাদুনা কেল্লক্ত্রিবা ফাওবদি সনাহীদাক্না উনাগী মনুংদা লৈ। উনাদুনা কেল্লক্লবা মতুংদনা লৈহাও (সোইল) দা চূপশিল্লকই। নুংশিৎ অমসুং লৈহাওদা লৈরিবা সনাহীদাক্না কংফালদগী ঈশিংদা য়ৌরকপা মতমসিদনি অমাঙ-অতা হেন্না থোকহল্লক্কদৌরিবসি। মরমদি ঈশিংদা লৈরিবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) শিংনা সনাহীদাকপু মেথিলেটেদ তৌরকই হায়বদি মেথানোল নৎত্রগা মিথাইল-গ্রুপকা তিন্নহল্লক্তুনা মিথাইলমরক্যুরি শেল্লকই। শাথীরবা ন্যুরোটোক্সিন অমা ওইরিবা, মিথাইল মরক্যুরিনা ফুদ চেইনগী মতেংনা ঙাগী হকচাংদা চঙলকই। মিথাইলমরক্যুরি য়াওরবা ঙাশিং চারুবগা খুদোংথীনীঙাই ওইবা চাং য়ৌরক্তুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লকই। অদুনা উপাল-ৱাপালশিংনা সনাহীদাকপু উনাদা তুংশিন্দুনা থম্বনিনা ঈশিংদা য়ৌরকপগী চাংসি হুন্থহল্লি।

**মিনামিতা দিজিজ** হায়বসি জপানগী মিনামিতা, কুমামোটো প্রিফেক্চরদা ইহান হান্না কুমজা ১৯৫৬তা থেংনখিবা সনাহীদাক্কী চাং য়াম্না য়াওরক্লবা মতমদা ওইরকপা, ন্যুরোলোজিকল দিজিজ অমনি। মসি Chisso Corporation না চল্লাইবা কেমিকল ফেক্টরি অমদগী থাদোরকপা মিথাইলমরক্যুরিনা থোকহনখিবনি। অনীশুবা থৌদোক অমনা, কুমজা ১৯৬৫দা নিগাটা প্রিফেকচরদা থোকখি। অসিগুম্বা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক, “২০১৩ মিনামিটা কনভেন্সন” কৌবা মালেমগী ত্রীটি অমদা মালেমগী লৈবাকশিংনা ফোসিল ফ্যুল মৈ থাবা, মাইনিংগুম্বা থবকশিংদগী সনাহীদাক থাদোরকপগী চাং হুন্থহন্নবগী খূৎয়েকশিং পীনখি। অদুবু, ত্রীটি অদুনা উমং কোকশিল্লকপনা সনাহীদাক্কী চাং হেনগৎহল্লকপগী মতাংদদি খন্নখিদে। এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা চিংথৌরবা লম অসিবু মেনশিন্নবগীদমক থিজিনবগী থবক অসি পায়খৎলকখিবনি।



উমং কোকথোরকপনা ঈশিংদা সনাহীদাক্কী চাং হেন্না য়াওহল্লকই হায়না উৎলিবা শক্তম

থিজিন লূপ অসিনা সনাহীদাকপু লৌশিনবদা পাম্বীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু য়েংশিন্নবগীদমক মোদেল অমা শাখি। কেমিকল ত্রান্সপোর্ট মোদেল অসিনা সনাহীদাকপু থাদোরক্লিবা মফম অদুদগী নুংশিৎতা করম্না য়ৌরকপা অদুগা নোং তাবদগী নৎত্রগা ফোরেষ্ট ইকোসিষ্টমনা লৌশিল্লকপদগী, কদাইদা তুংশিল্লকপা হায়বদু ত্রেক তৌখি। মখোয়না মালেম্থুরিজন নিপান থোক্না খায়দোক্লম্মী। হৌরিবা পাম্বীশিংগী মখল অমসুং কূৎবগী চাং (দেন্সিটি), লৈহাওদা সনাহীদাক য়াওবগী চাং অমসুং লম্থু শীজিন্নরম্বগী মওং (লেন্দ য়ুজ) নচিংবা ফেক্টরশিংবু খন্নরদুনা, রিজন খুদিংমক্কী দিফোরেষ্টেসন ইমিসন ফেক্টরশিং পুথোক্লবগীদমক সিম্যুলেসনশিং পাঙথোক্লম্মী। অদুবু রিজন খরগী দেটাদি ইরায় লায়না ফংবা ঙম্লমদে।

লূপ অসিনা দিফোরেষ্টেসনগী চাং ৱাংনা লৈরিবা রিজনশিং, খুদম ওইনা ত্রোপিকল অফ্রিকা নৎত্রগা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদগী মেজরমেন্টশিং মতিক চানা ফংলমদে। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসিদগী কোকহন্নবগীদমক মখোয়না হেন্না চম্বা অমসুং ওফলাইন মোদেলশিং শীজিন্নদুনা সিম্যুলেট তৌহনখি। লৈহাওদগী সনাহীদাক থাদোরকপগী মতাংদা থিওরি অমসু শাগৎখি। মসিনা খঙবা ঙমহনখি মদুদি দিফোরেষ্টেসননা উনাশিংনা কুপ্লিবা এরিয়া হুন্থহল্লি অদুগা লৈহাও/লৈমায় য়ৌরক্লিবা নুংশা মঙালগী চাং হেনগৎহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা সনাহীদাক্না মনিল ওইনা লৈহাওদগী পাইথোকখিবগী চাং হেনগৎহল্লি।

মোদেল অদুনা মালেম্থু গ্রিদ স্ক্বারশিংদা খায়দোক্লম্মী। গ্রিদ খুদিংমক স্ক্বার কিলোমিটর ১০০দগী হেনবা ঙাক্তনি। দিফোরেষ্টেসন অমসুং রিফোরেষ্টেসনগী ফীভমশিংবু ফোঙদোক্লবগীদমক অকক্নবা স্ক্বার খরনা লেন্দ সর্ফেস অমসুং ভেজিটেসন পরামিটরশিং হোংহল্লগা, লূপ অসিনা মরক্যুরি সাইকলদা কায়রক্লিবশিংদু খঙবা ঙম্লম্মী। অসুম্না থিজিনখিবা অসিদগী খঙবা ঙম্লকখি মদুদি দিফোরেষ্টেসননা মরম ওইদুনা নুংশিৎতা সনাহীদাক টন ২০০ রোম থাদোরকই নৎত্রগা মীওইবনা পুথোকপা অমসুং শীজিন্নরিবা পোৎশিংদগী পূন্না থাদোরক্লিবদুগী ১০% মুক ওই। অদুবু ত্রোপিকল অমসুং সবত্রোপিকল লৈবাকশিংদদি দিফোরেষ্টেসননা মরম ওইরগা থাদোরকপসি মীওইবনা পুথোকপা অমসুং শীজিন্নরিবা পোৎশিংদগী পূন্না থাদোরক্লিবদুগী য়াম্না ৱাংবা পর্সেন্টেজ ওইরম্মী। খুদম ওইনা, ব্রাজিলদা দিফোরেষ্টেসন্না মরম ওইরগা থাদোরকপসি মীওইবনা পুথোকপা অমসুং শীজিন্নরিবা পোৎশিংদগী পূন্না থাদোরক্লিবদুগী ৪০% ওই। মসিগীসু মথক্তা লৌউ-শিংউগীদমক মীশিংনা উমং মৈ থাদোকপদগী পাম্বীশিংনা তুংশিন্দুনা থম্লম্বা সনাহীদাকপু থাদোরকপগী চাং হেনগৎহল্লি। মতুং তারকপদা লূপ অসিনা মখোয়গী অনালিসিস অসিদা দাইনামিক অর্থ সিষ্টম মোদেলশিং য়াওহন্দুনা সনাহীদাক লৌশিনববু হেন্না মমুৎ তানা ত্রেক তৌবগা লোয়ননা উপাল-ৱাপালশিংনা অমুক হন্না হৌরকপগী টাইমস্কেলগী হেন্না ফৰবা মোদেলশিংসু শেম-শাগনি হায়রি। ●

---

# কৌনাকগদেশকী লমদমদুদা

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

কৌনাকগদেশ মালেমগী থাক্তা শান্নবা মশান্না খুদিংমক শুদ্রবসু অয়াম্বা মশান্না কয়াদা শরুক য়াদুনা মশক নাইবা ফিদা অমা পন্দুনা মালেমদা মমিং লৈবা শান্নরোয় কয়া পুথোকই। মসিদসু নত্তনা নাৎকী ওইবা কলচর কয়াদসু অদুমক ফিদা কন্দুনা থম্বা ঙম্মী। মখোয়গী ওইবা মুক্না, মুক্না কাংজৈ, শুক লংবা শানবা তান্নবা, তা লংবা শানবা তান্নবা, য়ুবী লাকপী, তা খৌশাবা, থাঙ হাইবা, লৈতেং ওইনা হাইবা, য়েক্লবা মায়থীবা পীবা ঙম্নবগী থাঙগী থাঙলোন, তাগী তারোল কয়া অমা লৈখ্রে। মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ লমজেল তান্নহনবা অথোইবা অহেনবা তান্নবা, অথোইবদা লৈবাক নিংথৌনা মনা মথুম পীবীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীবা, লমদমদুগী, লৈকায়দুগী মীয়াম্না থাগৎনবা কয়া ওইরম্মী। চাংদম্নদুনা অথোই অহেন তান্নদবা মশান্না কয়া মতম অদুদা লৈরমদবা নত্তে। খুদম ওইনা চৈতেক কোৎপী, অথালি-পথালি, কিলা থুগাইবী পনবা য়াই। নুপীমচা ওইবীশিংনা শেবোতি কাওনবা, নুপামচা ওইবশিংনা কোক ফাইটিং, কেকু লোৎপী অসিনচিংবা মশান্না কয়া লৈরম্মী। মতম্না ফরিঙৈ চীং-তমগী নুংশিনবা মরী কয়ানা নুপা ওইবা কয়ানা চীং অমসুং তমগী নুপা কয়ানা চহী লেঙ্গা য়েংদুনা ইতাও শান্নবা, ইতাও হায়না কোলোইনবা কয়ানি। নুপী ওইবী কয়াসু মসি মঙাই লৈশাবীনা লৈশা মশেল অদুগা মৌ ওইবী কয়াসু মৌ মশেলগী ওইবা ইতা হায়না কোলোইনৈ। তমগী পোথোক কয়া সনা কৈথেলদা পুথোক্লগা য়োনবা, চীংগী নুপা-নুপী কয়ানা তমগী সনা কৈথেল তম্না খোঙনা লাক্লগা য়োনবা লাকপা, খঙনবা-চান্নবা তোয়না লৌনরবা মীওইশিংবু ঙাই হায়না খঙনবা, ঙাই নৎত্রগা ইঙাই হায়দুনা কৌনৈ-ঙাঙনৈ, নুংশিনৈ-চান্নৈ। ঙাই মশেল হোটেল, কৈথেল, লুকমাই মরক্তা ফম্বীশিংদগী চা-বোরা থকমিন-চামিন্নবা কয়ানি। চীংদগী মতম মতমগী পোথোক য়াইপল, লেম্রা, চীং য়েনশিল, লফোই, লফু থরো, হৈ-রা মখল কয়া পুরক্লগা তমগী সনা কৈথেলদা য়োল্লগা মখোয় মখোয়না তঙাইফদনা শীজিন্নবা পোৎলম কয়া অমুক লৈরগা হনখিবনি।

মতমদুগী চীং-তমগী নুংশি ৱারীদি লোইনাইদ্রবনি। মরিং ইচিল-ইনাওশিংনা শাবা থুমোক, তাইরুক, পোলাং, খরাই, য়াংকোক, ফৌরা, লাইতং, লিখায়, শঙবাই, মেরুক্নচিংবা পূম্নমক তমগী য়ুমথোঙ খুদিংনা শীজিন্নৈ। মসিদসু নত্তনা হঙ্গাম চাম্পগী পোলাং, চেঙ চাম্পগী চেংজামুক কয়ানি। মতম অদুদদি মীতৈ য়ুম অয়াম্বা মশা মশাগী ইঙ্খোলদা পূথ্রি লৈরম্মী। পূথ্রি অদুদগী ঈশিং-মায়শিং শোক্লবা থোঙ্গ্রা শান্নরম্মী। মীতৈ ইমা ইবেল অমদি কুমারি য়ুবোতি লৈশাবী, মৌশিংনা শেম শারগা মন্থোক্লবা হঙ্গাম, কোবী, মনা-মশিং পূম্নমক পোলাং অমদা হাপ্পগা পূথ্রিগী থোঙ্গ্রাদা কুমদুনা শেংনা চাম্মী। মসিদা নত্তনা ইমুংদুগী মীশিংগী চাগদৌবা চেঙ চেঙফুদ্দগী মেরুক্না ওল্লগা মদু চেঙজামুক অদুদা হাপচিল্লগা পূথ্রিগী থোঙ্গ্রাদা কুমদুনা চাম্মী। নুপী খুদিংনা মনা-মশিং মচল শুনা হাপ্পগা চেঙই চফু অমদা ফুৎলগা চেঙই লুজবগী চৎনবী য়ুমথোঙ খুদিংদা লৈরম্মী। অসুম্না মরিংশিংনা শাবা পোৎ, ৱাগী পয়া পজেং কনমশিংনা শাবা খুদিংমক পাবোৎ কায়দনা শাবনা য়ুমথোঙ খুদিংনা মরিংনা শাবা শংবাইবু নাম্মা হাংবা হৌনবরা হায়দুনা মচা নিঙোল-পিবাশিংবু ময়ূম-মকৈ পান্নবা হোৎনরকপা মতমদা প্রমান-পাম্থে অসিবু হেক শীজিন্নৈ। নুপী খুদিংনা অয়ূক অঙনবদা হৌগৎলকপা মতমদা নুমিৎ খুরুম্বা চৎনরম্মী। মথংদা ইমুং, মাঙ্গোল ৱাইশিৎ লমশিৎপগী চৎনবী মথংদা শুমাং তুলসিবোং ৱাই তৈবা, ঈরু মায়থজবা কারক্লগা তুলসি দেবীদা পৃথ্রিদগী পুরকপা শোক্লকপা ঈশিং খুজোক অমনা মথক্তা চাইথরগা তুলসি দেবী পাম্বীগী মনাদগী তারকপা ঈশিংদু য়াদা লংশিন, কোক্তা নাম্ভজরগা নুমিৎলোমদা ওন্দুনা খুরুম্বা, ইমুংদা চঙখ্রগা ফুঙ্গাদা তিকি ৱামৈদা থারম্বদু কম্বীদা হাপ্লগা মেক্রুক থাদুনা তুলসিবোংদা থম্লগা ইমা ইবেন্মা, ইচা-ইশু পূম্নমক নাদ-য়েক্তনা লৈহনবীয়ু হায়দুনা খুরুমজবা অসি নুপীশিংগী তৎন-থানরক্ত্রবা মচৎ অমা ওইরকই। নুপীশিংদি নোংশা অমোমগুম্বনি। মচা মপুরোইবা কয়াগী থৌগল মরক্তা চাক থোংবা, ফৌশু কয়াগী মথক্তা মাঙ্গোলদা মহৌশানা ওই থংবদা য়োংখম খিনবা, অপাবা ফিরোল শাবগী চৎনবী লৈরম্মী। মোম্পাক ফিদক, মোনখুম, খুদৈ, খুদৈ মতেক শাদুনা ইমুংগী অৱাৎপা মেনশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী।

কৈথেল লুকমাই পান্দুনা, ফিশা কোন নাইদুনা ইয়োংফি শাদুনা শেন্দাল লম্বী ওইরবসু মপারি মমোমশিংগী তুংগী লম্বী শেম্বদা লৈবাক্কী অরু অরুবা থবক কয়াদা মায় লৈদুনা চেন্দ্রবী লমদমসিগী পুৱারী কয়ানা লেঙদনা শাগোন্নদুনা লাক্লিবীনি। হিংনবগী লম্বীদা মপুরোইবা, মনেম-মকুগী মতেং ফংদ্রবী কনানা পাৎতা কুমদুনা ঙাথী চাকথীদুনা মচা মশু চাউনবা হোৎনবা, লৌবুক পাৎপান চৎলগা য়েলাং, কোমপ্রেক, লোকলৈ, পুলৈ হেক্লগা সনা কৈথেল কাদুনা য়োঞ্জবা। কেংঙোই, পেরুক হেক্লগা য়ূমগী এঞ্জাং ওইনবা কয়া নুপী ওইবীশিংগী থৌগাই থাবনা ৱাৎলগনি। মখোয় মখোয়না মায়োক্লবা হিংনবগী লানফমদা থেংনবনা মশীং থিঙমদনা পূন্সিগী অরোইবা মীকুপ অদু ফাওবা থেংনদুনা মায়রোং য়াখিবীশিংনি। মতম মতমগী ওইবা লৈবাক্কী ৱাথোক লাম্থোক কয়াদা শরুক য়াদুনা মায় লৈনা চেন্দ্রবী, লৈঙাক্লিবা কয়াদা পেন্দবা ৱাকৎ থমদুনা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকপু মাঙদা থাদুনা থম্লগা ৱাগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা লো এনফোর্সমেন্টকী চৈনা চৈথেং নংলবী কয়ানা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক পূম্নমক শন্তাইননবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা চেনবী চোঙবীরিবী ইমা-ইন্দোল, ইচে-ইচল পূম্নমক্না ইরৈবাক ইরমদমগীদমক্তা লেপ্লরে। ৱাখল লৌশিং মতিক চানা লৈরে, মীগা মীগা ওনশিন্নদুনা অপাম্বা অনীংবা তৌহন্নীংবা, ওইহন্নীংবা ফোঙদোকপা ঙম্লে। লাল্লিবসি কনানো, অচুম্বনা কদাইনো, লৈঙাক্তা খূৎ থিন্দুনা হায়বা ঙম্বী ইমাশিংবুনি অইবনা ৱাখল লৌশিং মতিক চানা লৈরে হায়জরিবসি।

এম এ, বি এদু নত্তে। জী, সার, কালেনগী মৈশা য়ৌদ্রিবী, নীংথম উলেন নংদ্রিবীশিংদু নৎচদে। লৈঙাক্লা অশোয়বা অরানবা থবক তৌরকপদা মদু মীয়াম্না য়াদে, খোঙফম অদু হন্দোকউ হায়দুনা থিন্দুনা তাকপা ঙম্বী ইমাশিংবুনি। প্রেস মীট তৌদুনা মীওইশিংদুদা ৱাখল তানা মানা মানা ফোঙদোক্লিংবা ৱাফমদু ফোঙদোক্লগা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লোই খুদিংমক্কী মফম য়ৌহনবা ঙম্লবী ইমা কয়া থোরক্লে। করি ৱাংলি ইমাশিংগী থৌনা পাঙ্গল মতিক চানা লৈরে। মায়োক্লরো, থেংনরো কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগী মরক্তগী ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক, মীহাৎ-মীপূন, মীশি-মীনা, থৱায় কয়া মাঙখ্রবা, শরূ মচেৎ অমা ফাওবা ফংদ্রবা, শেৎখিবা ফিজেৎ অমা ফাওবা ফংবা ঙমদ্রবা, মমা-মপা, মাগী ইমুং মনুংদা লংলা লংজিন পীবা ঙমদ্রবা লৈঙাক্তুবু লৈঙাক্লা, মীহুৎশিংদুবু মীয়ামগী মীহুৎলা।

....*মখা লমায় ৫দা*

---

# মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১৫৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্কুনা ফোঙজরগনি।)

নোংয়াই লৈকোইপুঙদা য়ুমকাবনা। মরাল ময়ুম পোইরৈ লমদা খুলকারকপনে হায়না ৱাতমবদা। য়োইবু নাই ও। লাইরেল মৈদিংঙুগী মচানে হায়রবদি। ইৱাল অরাম য়াঙবা ইয়ুমদা কৌশিললুচো ও। ৱাহায়বগা হলনু নারেংসুনা। লাইরেল মৈদিংঙুগী মচা ওইবা ও। মপু নোংথোল তেংমাইথিনবগী চরৈ ফীচি মথকসিদা ফমফমলরো ও হায়না পাউকৌররে। নোংথোল তেংমাই থীনবগী চরৈ ফীচি হোংলা নমনা ফমফমলবদা হলনু নারেংসুনা। চাকথোং চফু শৌন য়াই। ইৱাল য়েললাং য়েনশাং ইৱাল খোয়দৌ ওৎনা থোংনা লুকলেল পামনা হানা চানা। শকখং মাইখঙলবদা। নোংতোল তেংমাই থীলবা হলবা ঙমখৈ মপাল তোংবা। খাফম শিঙশুহলবনা। খুজিন থৌরাং পুমনমক হায়না থৌরম লমবী য়াৎতুনা ঙাংনরবদা। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯵꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯂꯩꯀꯣꯏꯄꯨꯡꯗ ꯌꯨꯝꯀꯥꯕꯅ꯫ ꯃꯔꯥꯜ ꯃꯌꯨꯝ ꯄꯣꯏꯔꯩ ꯂꯝꯗ ꯈꯨꯜꯀꯥꯔꯛꯄꯅꯦ ꯍꯥꯏꯅ ꯋꯥꯇꯝꯕꯗ꯫ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯅꯥꯏ ꯑꯣ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯒꯤ ꯃꯆꯥꯅꯦ ꯍꯥꯏꯔꯕꯗꯤ꯫ ꯏꯋꯥꯜ ꯑꯔꯥꯝ ꯌꯥꯡꯕ ꯏꯌꯨꯝꯗ ꯀꯧꯁꯤꯜꯂꯨꯆꯣ ꯑꯣ꯫ ꯋꯥꯍꯥꯏꯕꯒ ꯍꯂꯅꯨ ꯅꯥꯔꯦꯡꯁꯨꯅ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯒꯤ ꯃꯆꯥ ꯑꯣꯏꯕ ꯑꯣ꯫ ꯃꯄꯨ ꯅꯣꯡꯊꯣꯜ ꯇꯦꯡꯃꯥꯏꯊꯤꯟꯕꯒꯤ ꯆꯔꯩ ꯐꯤꯆꯤ ꯃꯊꯛꯁꯤꯗ ꯐꯝꯐꯝꯂꯔꯣ ꯑꯣ ꯍꯥꯏꯅ ꯄꯥꯎꯀꯧꯔꯔꯦ꯫ ꯅꯣꯡꯊꯣꯜ ꯇꯦꯡꯃꯥꯏ ꯊꯤꯟꯕꯒꯤ ꯆꯔꯩ ꯐꯤꯆꯤ ꯍꯣꯡꯂꯥ ꯅꯝꯅ ꯐꯝꯐꯝꯂꯕꯗ ꯍꯂꯅꯨ ꯅꯥꯔꯦꯡꯁꯨꯅ꯫ ꯆꯥꯛꯊꯣꯡ ꯆꯐꯨ ꯁꯧꯟ ꯌꯥꯏ꯫ ꯏꯋꯥꯜ ꯌꯦꯂꯂꯥꯡ ꯌꯦꯟꯁꯥꯡ ꯏꯋꯥꯜ ꯈꯣꯌꯗꯧ ꯑꯣꯠꯅ ꯊꯣꯡꯅ ꯂꯨꯛꯂꯦꯜ ꯄꯥꯝꯅ ꯍꯥꯅ ꯆꯥꯅ꯫ ꯁꯛꯈꯡ ꯃꯥꯏꯈꯉꯂꯕꯗ꯫ ꯅꯣꯡꯇꯣꯜ ꯇꯦꯡꯃꯥꯏ ꯊꯤꯂꯕ ꯍꯂꯕ ꯉꯃꯈꯩ ꯃꯄꯥꯜ ꯇꯣꯡꯕ꯫ ꯈꯥꯐꯝ ꯁꯤꯡꯁꯨꯍꯂꯕꯅ꯫ ꯈꯨꯖꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯍꯥꯏꯅ ꯊꯧꯔꯝ ꯂꯝꯕꯤ ꯌꯥꯠꯇꯨꯅ ꯉꯥꯡꯅꯔꯕꯗ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।